# ইন্দিয়ানা চাইনাবু সমুদ্রদা থেংনবদা মতেং ওইগদৌরিবা এয়রক্রাফট কেরিয়র আই এন এস ভিক্রান্ট ওগষ্টতা কম্মিসন তৌরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্দিজেনস এয়রক্রাফট কেরিয়র ভিক্রান্ট লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা কম্মিসন তৌরগনি। আই এন এস ভিক্রান্টনা লৈবাক অসিবু সমুদ্রদা চাইনাগা থেংনবদা মতেং চাওনা পাঙলগনি হায়রি।

ইন্দিয়ন নেভিনা আই এন এস ভিক্রান্ট হায়না মমিং থোল্লগদবা ইন্দিজেনস এয়রক্রাফট কেরিয়র অসিগী মরিশুবা তাঙ্কক্কী সি ট্রাইঅল মপুং ফানা লোইশিল্লে। সমুদ্রদা চথখিবা ট্রাইঅলশিং অদুগী অরোইবা চাংয়েংশিং অদু জুলাই ১০ দা লোইশিনখিবনি। চাংয়েংশিং অদুগী অরোইবা তাঙ্ককশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা কেরিয়র অদুগী মরুওইবা ইক্বিপমেন্ট অমসুং সিষ্টেমশিং মপুং ফানা চাংয়েং তৌখ্রে।

সিষ্টেমশিং অদুগী মনুংদা এভিঅসন ফেসিলিটিশিং য়াওখি। জহাজ অসি জুলাই ২২ ফাওবগী মনুংদা দিলিভর তৌবগী পান্দম থল্লি। মসিগী মতুংদা জহাজ অসি অজাদিকা অমৃট মহাসবকা মরী লৈননা ওগষ্ট ২২দা কম্মিসন তৌগনি হায়না নেভিনা ফোঙদোরক্লি।

আই এন এস ভিক্রান্ট হায়না মমিং থোল্লগদবা চাওরবা লানগী জহাজ অদু ইন্দিয়ন নেভিগী অহানবা ইন্দিয়াদা শাবা এয়রক্রাফট কেরিয়রনি ভিক্রান্টকা লোয়ননা ইন্দিয়ন নেভিগী ফঙ্কসনেল এয়রক্রাফট কেরিয়র অনী লৈরগনি। অতোপ্পা এয়রক্রাফট কেরিয়র অদুনা আই এন এস ভিক্রামাদিত্যানি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়া অসি এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা দিজাইন তৌবা অমদি শাবগী কেপেবিলিটিশিং লৈরবা মালেমগী খঙ্গৎলবা লৈবাক তরেৎকী মনুং চল্লে। অতৈ লৈবাকশিং অদুদি য়ু এস এ, য়ু কে, ফ্রাঞ্চ, রশিয়া, ইটালি অমসুং চাইনানি।

নেভিগী চৎনবীগী মতুংইন্না জহাজশিং শিবা নাইদে। ইন্দিয়ানা য়ু কেদগী লৈখিবা লৈবাক অসিগী অহানবা এয়রক্রাফট কেরিয়র ভিক্রান্টকী মমিং অসিমক্কা লোয়ননা অনৌবা মপোক অমা ওইনা কম্মিসন তৌগদৌরিবনি। য়ু কেদগী লৈখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা এয়রক্রাফট কেরিয়র ভিক্রান্ট ১৯৬১ দা দিকম্মিসন তৌখি।

এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা হায়বসি সমুদ্রদা তাওদুনা লৈবা অপিকপা এয়রবেজ অমনি হায়বা য়াই। অসুম্না এয়রক্রাফট কেরিয়র অমগা অতৈ জহাজশিংগা ওপরেট তৌবা অমদি য়ৌশিনবা ঙম্বা মফমশিংগী মতাংদা খেন্নবা চাওনা লৈ। সমুদ্র কন্ট্রোল তৌবগী মতাংদা লৈবাক অমগী নেভিগী ওপরেসনদা এয়রক্রাফট কেরিয়র হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনরি।

আই এন এস ভিক্রান্টদা এয়রক্রাফট অমসুং হেলিকোপ্টর ৩০ ওপরেট তৌবা য়াই। মসিনা লান নংত্রগা অতৈ মতমশিংদা লৈবাক অসিদগী য়াম্না থাপ্লবা সমুদ্রগী শরুকশিং কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাঙলগনি হায়রি।

ইন্দিজিনস এয়রক্রাফট কেরিয়র ভিক্রান্ট অসি মিটর ২৬২ শাংই অমসুং মসিগী খ্বাইদগী পাকপা শরুক অদু মিটর ৬২ ওইগনি অমসুং লুবনা সুপর ষ্ট্রকচর য়াওদনা মিটর ৩০ নি। কেরিয়র অসিদা সুপর ষ্ট্রকচরগী মঙা য়াওনা পুন্না দেক ১৪ য়াওই। জহাজ অসিগী কম্পার্টমেন্ট পুন্না ২৩০০ হেন্না লৈ। কম্পার্টমেন্টশিং অদু নুপী ওফিসরশিং লৈবা য়াগদবা স্পিসিএলাইজ কেভিন য়াওনা পর্সনেল ১৭০০ রোমগী ক্রু লৈবা য়ানবা মওংদা শেম-শাবনি। জহাজ অসিগী টোপ স্পিদতি নোট ২৮ রোমনি অমসুং ক্রুজিং স্পিদনা নোট ১৮ নি। নোটিকেল মাইল ৭৫০০ কি ইন্দুরেন্স লৈবা চাওরবা জহাজ অসিনা ইন্দিয়াগী সমুদ্র মপান অকোয়বা অপুন্নবু অমুক হন্না থাউহানবা তৌদনা অনীরক কোয়বা ঙম্মী।

ভিক্রান্টগী অনৌবা মশক অসিবু লাকহন্নবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক কুমজা ২০০৬ তা হৌখিবনি। চহী কয়া চুপ্পা কন্না হোৎনরক্লবা মতুংদা ভিক্রান্টগী অনৌবা অপোক অসিবু ইন্দিয়ন নেভিনা য়েক্লবশিংগা লম্বানবগীদমক সমুদ্রদা শীজিন্নবা য়ারগনি।

মীওই লিশিং কয়ানা চহী কয়া চুপ্পা চোকথবা নাইদনা হোৎনদুনা ভিক্রান্টবু অনৌবা অপোক অমদা লাকহল্লিবনি। মমাংদসু ভিক্রান্টনা কুমজা ১৯৭১ দা পকিস্থানগা শোক্লখিবা লানদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌখিবনি। লানগী জহাজ অসিগী মপানগী মাইথোং য়েংবদা ঙকনিংঙাই ওইবদা নত্তনা মসি টেক্নোলোজিগী ওইবা অঙকপা অমসুনি। জহাজ অসি মথোল ১৮ ৱাংবা অতাওবা বিল্ডিং অমগা মান্নে।

জহাজ অসিগী হল শাবদা শিজিন্নরিবা ষ্টিলগী শরুকশিংনা ইফিল টৱার অহুম শাবা কোন্নগনি হায়রি। আই এন এস ভিক্রান্টগী ফ্লাই দেগ অদু ফুটবোল ফিল্ড অনীমুক্কী পাক চাওবা ওইগনি।

চাইনিজ নেভিনা ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা মখোয়গী মতিক ময়াই উৎপা হেঙ্গৎলকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মেরিটাইম ওপরেসনল কেপবিলিটিজ হেনগৎনবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরি।

জহাজ অসিগা লোয়ননা হৌজিক ইন্দিয়াগী এয়রক্রাফট কেরিয়র অনী লৈরগনি। এয়রক্রাফট কেরিয়র অমনা মেন্টেনেন্সকী থবক চথখিবা ওইরবসু অতোপ্পা কেরিয়র অদুনা মথৌ তৌদুনা সমুদ্রদা য়েক্লবশিং থেঙনবদা লৈবাক অসিগী নেভিদা মতেং ওইহল্লগনি।

ইন্দিয়ন নেভিনা মতম কয়াগী মমাংদগী অহুমশুবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসু মথৌ তারগনি হায়না গভর্ণমেন্টদা খঙহন্দুনা লাকখি।

# লুপা লাখ ৫০ গী রেন্সমগীদমক কিদনেপ তৌখিবা বিজিনেসমেন রেসক্যু তৌখ্রে

গুরুগ্রাম, জুলাই ১০ (এজেন্সী):
হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হরিয়ানা পুলিসকি স্পিসল টাস্ক ফোর্স (এস টি এফ) না দিল্লিদগী কিদনেপর মঙা ফাখিবগা লোয়ননা টামিলনাদুগী বিজিনেসমেন অমা মহাক্কী ইমপ্লোইগা লোয়ননা রেসক্যু তৌখ্রে।

কিদনেপরশিং অদুনা বিজিনেসমেন অসি লুপা লাখ ৫০ গী রেন্সমগীদমক ফাখিবনি হায়রি। এস টি এফনা ফারবা মীওইশিং অদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সাউথ ২৪ পটনা দিষ্ট্রিক্টতগী অসিফ হ্যুসেন, দিল্লিগী উটম নগরদগী কে জিরবানি বাবু, মষ্টর্মাইন ওইরিবা দিল্লিদগী মোহমদ অজাদ, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টতগী মোহমদ করিম অমসুং দিল্লিগী ভিকাশ নগরদগী মোহমদ টেসামনি।

রেন্সমগীদমক ফাখিবা বিজিনেসমেন অদু টামিলনাদুদগী ভিলবাপাথি (৫৬), কৌই। মহাক শ্রি জয়কৃষ্ণ টেক্সটাইল, দিংদিগুলগী মেনেজিং দিরেক্টরনি। মহাক্কা লোয়ননা ফাখিবা ইমপ্লোই অদুনা ভিনোথ কুমার (২৮) কৌই। মহাক ফার্ম অদুগী একাউন্ট মেনেজরনি।

আই জি এস টি এফ সটিস বালানা ফোঙদোরকখিবদা একুইজশিং অদুনা বিজিনেসমেন অসিবু য়ার্নগী দেলিভরি কন্ট্রেক্ট চাওনা পীগনি হায়না থাজহনখি অমসুং ইরাই নুমিৎতা মখোয়গী রো- মেটরিএলগী শেমপলশিং পুরক্লবা হায়খি। ভিক্টিমশিং অসিনা বিজিনেস দিল অমগীদমক দিল্লিদা একুইজশিং উন্নবা চৎপা মতমদা ক্রিমিনেলশিং অদুনা মখোয়বু কিদনেপ তৌখি অমসুং দিল্লিদা লৈবা রেসিদেন্সিঅল ফ্লেট অমদা ফাজিন্দুনা থমখি। মদুগী মতুংদা ক্রিমিনেলশিং অদুনা ভিক্টিমশিংগী ইমুংশিংদা কোল তৌরক্তুনা মখোয়বু থাদোক্লবগী রেন্সম ওইনা লুপা লাখ ৫০ পিরক্লবা খঙহল্লকখিবনি। এস টি এফকী ওফিসলশিংগী মতুংইন্না রেন্সম দিমান্দ তৌরকখিবা কিদনেপরশিং অদুগী মখুৎতগী মীওই অনী অদুবু রেসক্যু তৌনবা টামিলনাদু পুলিসকী সেনিয়র ওফিসলশিংনা হায়জরকখিবগা লোয়ননা কিদনেপিংগী থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ ফংখিবনি। ক্রিমিনেলশিং অদুনা করিগুম্বা মখোয়না দিমান্দ তৌরিবা রেন্সমগী শেনফম অদু পীরক্তবা তারবদি বিজনেসমেন অদু হাৎকনি হায়নসু কিহনখি। পুলিসনা কিদনেপর মঙা অদু দিল্লিগী ভিষ্ণু গার্দেনদগী ফাখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা টামিলনাদুগী পুলিস ষ্টেসন থাদিকোম্বু দিষ্ট্রিক্ট দিনদিগুলদা আই পি সীগী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি হায়রি।

# কেসশিং থুজিন্নবা অনৌবা এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল হাপখ্রে

কলকটা, জুলাই ১০ (এজেন্সী):
পন্দুনা লৈরিবা কেস কয়া থুনা লোইশিনবা য়ানবগীদমক্তা ভেটরান কাউন্সিল অশোক কুমার কক্রোবটিবু কলকটা হায় কোর্টকী এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল ওইনা খল্লে হায়না থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

এপোইন্টমেন্ট অদু য়ুনিয়ন লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ লিগেল এফেয়রসনা লাওথোকখিবনি। হৌখিবা এপ্রিলদা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই জে দাষ্টুরনা খঙহৌদনা রিজাইন তৌখিবদগী ফম অদু থা অহুম চুপ্পা হাংদুনা লাকখি। হৌখিবা থা অহুমগী মতম অসি ফম অদুগী রেস্পোনসিবিলিটি অদু সিনিয়র কাউন্সেল বিলৱাদা ভট্টাচারিয়া অমসুং দিরাজ ট্রিভেদিনা পুন্না হেন্দল তৌখি।

অদুমওইনমক কলকটা হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টগা মরী লৈনবা কেসশিং থুনা লোয়শিনবা য়ানবগীদমক্তা মমৈথংদা চক্রবোটিবু এপোইন্ট তৌখিবনি। মহাকপু এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল হাপখিবা অসিনা হায় কোর্ট অসিদা লৈরিবা কেস খরদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকুম্বা সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংগী থবক্তা ইনোৎ হাপ্পগনি হায়না থাজনরি।

এদিসনল সেক্রেটরি, লিগেল এফেয়রস অনজু রাথি রানানা লেটর অমা থাদুনা চক্রবোটিদা চহী অহুমগী টার্ম অমগীদমক ফম অদু ওফর তৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কসু মদুবু য়াখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref. Mutation Case No. 368 of 2022**
App :- Thongbam Basanta Singh, S/o. (L) Pishak Singh of Sugnu Mamang Leikai
-Vs-
Opp :- (Late) Thongbam Pishak Singh, S/o. Matum Singh of Sugnu

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Dated, 07/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 91- Sugnu পাট্টা নং 957 দাগ নং. 2295/2776 এরিয়া 400 Feet out .14 acres একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টাকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu
HL-P/3292/11

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES: MANIPUR**
ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE OF OBJECTION**
Imphal, the 7th July, 2022

No. P/M/SR/2022: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Shree Shree Govindajee Dhup Arati Sana Pala' on 21st April, 2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, notice for objection is circulated / notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/ registration of proposed society/organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/ considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/ entertained.

**Sd/- T. Pradwipkumar Singh**
**Asst. Registrar of Societies, Manipur**
HL-P/3277/9,10,11

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY
1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm.,B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106
THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622
HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

ACI SCHOOL
A CO-ED. HR. SEC. SCHOOL AFFILIATED to COHSEM
UNDER THE GUIDANCE OF HUMAN RESOUCE CENTRE AND RESEARCE INSTITUTE (Regd. No. 729)
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOR ONLINE REGISTRATION
www.advancecoachinginstitute.com
WITH 2 YEAR INTEGRATED CLASS FOR NEET/JEE/NDA
ADMISSION OPEN For XI Sc. & XI Arts
World class standard classroom With Smart Class
1. For top position holders in the HSLC exam: Freeship + Book grant fee+Scholarship
2. Students who scored 85%-92% in the HSLC exam: Admission free + Half Tuition free+ scholarship
3. 80%& bove:Admission free+Scholarship+ Book grant
4. 75% and above: Half admission fee+book grant
5. 70% and above : Half Admission
6. 60% and above : Direct Admission to some limit
SELECTED THROUGH ENTRANCE TEST:
1. 1st to 20th position : FREE ADMISSION FEE
2. 20-100 position: FREE UNIFORM
3. 100-300 position holders: BOOK GRANT
5. 300-400 position holders: DIRECT SELECTION
Special faculty members having more than 10yrs Expelences
PHY: Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar / Bidyakanta (IIT)
Chem: R.K. Bahadur /Manglembi NET(P.Hd)
Maths: Dr. Sanjit /Kiranmala (Gold medalist)
Botany : Dr. Bijen / Dr.Thajamanbi
Zoology : Dr. Ranjita / Kh. Seityabati
Supporet by special Faculty members of ADVANCED COACHING INSTITUTE
For offline registration : OFFICE OF THE ADVANCED COACHING INSTITUTE
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July

Resonance®
Educating for better tomorrow
1 Year Regular Course for JEE (Main+Advance) Target-2023
* 6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.
STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN
Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
ENROLL TODAY!
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-B/7717/ 5,8,11,14,17,20,23,26,29,01Aug

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 15TH & 18TH JUly
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July

ADVANCED COACHING INSTITUTE
OUR POSITION HOLDERS IN BOSEM, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ..........
ARTS
3RD Post '20 7TH Post '20 8th Post.'20 8th Post.'20 10th Post.'20 5th Post '19 5TH Post '19 8th Post. '19 10th Post. '19 19th Post 19th Post 7th Post 2nd Post HSLC
PH. FIROJH. TH. OBINKUMAR N. PARITON N. PARIHAN S. SANATHOI SHARMELI H. BERON ELIA NEPRAM NEVITA NINGTHEM ASEM
SCIENCE
4TH Post '19 6TH Post '19 8th Post. 9th Post. 16th Post. 7th Post'19 8TH Post'19 15th Post. 22th Post. 23th Post 23TH Post 24th P
ROBINSON SHAH MINHAZ ANJU ANAND THOUNGAMBA SAMANANDA SANAMATUM ADHITYA REHAN ROSHAN RICKY DIANA LAMJINGBA
STATE BOARD /COUNCIL (Sc/Arts/Comm)
CENTRAL BOARD (CBSE) Sc/Arts/Com
CBSE X EXAM S. SNEHA 95.5%
FOUNDATION COURSE X,xi & XII
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM7th,11th,15th july
CBSE FOUNDATION COURS X,xi &XII
MANY MORE
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
CBSE FOUNDATION COURSE FOR VI TO IX
3rd Batch FROM 7th,11th,15th july
SPECIAL CBSE VACCATION COURSE
PRINTED STUDY MATERIALS ** SUNDAY MOCK TEST SERIES
SPECIAL CONCESSION for Govt. school & 85% & Above
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website : www.advancecoachinginstitute
Hurry ! Hurry !! Limited Seat
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS
Batches for Kwakeithel (VAN SERVICES)
4 to 7.20 pm 4.15- 7.40pm (class ix to xii
2 pm to 4 pm (class vi to viii)
BATCHES FOR NAGAMAPAL (VAN SERVICES)
4.30-6.30AM(FOR COMM & ARTS)
3.40- 7.00PM (COMM &ARTS) &
4.30 TO7.20 (VI TO VIII) 4.30 TO 7.50 (XI/XII SC.)
For Quary : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI or KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI
HL-B/7721/8,9,10,11,12,13,14,15,16,17 July